**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 20-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) হেলথ সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: চন্বো গোনমৈনা হায়রি- চিন-য়া মশা মউ ফনা থমনবা য়াগী ডোক্তরশিং মতিক চানা থমদুনা অমদি দেন্টেল কলেজনচিংবা লিংখৎতুনা হোৎনরি।

২) মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন- থুমলিপ তিনিংফম মোনসাংনা হায়রি- হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবী নুপীশিংগী ফংফম থোকপা হকশিং ফংহন্নবা হোৎনরি।

৩) মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার নাউরেম লোকেন্দ্রনা হায়রি- মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী মগুন অসি য়ুনিভর্সিতি অসিগী মহৈরোইশিংদা লৈরিবা লৌশিং-গ্যান অমদি মখোয়না পাঙথোকপা রিছার্সকী থবকশিংনা উৎকদৌরিবনি।

৪) চুরাচান্দপুরদা লৈবা জোগম টু ডে পাউচেগী সাইন বোর্দ অমাং অতা থোকহল্লন্বা থৌওংবু চুরাচান্দপুর জিলাদা নুংতিগী ফোংবা পাউচেশিংগী ইদিটরশিংগী কোর কমিতিনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

অমসুং

৫) লোক সভা অমসুং বিধান সভা কেন্দ্রশিং শেমদোক শেমজিন তৌনবগী মতাংদা পুখৎলকপা ৱাফমশিংগী মতাংদা চরাংনবা থোকপদগী সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখি।

------

হেলথ (এল)ঃ নেসনেল ওরেল হেলথ প্রোগ্রাম (এন.ও.ঐচ.পি) এস.ঐচ.এস, এন.ঐচ.এম. মনিপুরনা শিনদুনা ঙসি ৱার্ল্ড ওরেল হেলথ ডে পাঙথোকখি।

নুমিৎ পালন অসিগী থিমদি-‘এ হেপি মাউথ ইজ এ হেপি মাইন্দ’ হায়বসিনি। হেরিটেজ হোল, আই.এম.এ. লমফেলপাৎতা পাঙথোক্লিবা থৌরম অদুদা মনিপুর সরকারগী হেলথ সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: চন্বো গোনমৈনা হায়- মালেমগী ওইনা মীওই বিল্লিয়ন ৩.৫ দি য়াগা মরী লৈনবা লায়নাশিং মায়োকরি। য়া নাবা হায়বসি হকচাংদা য়ামা নুংঙাইতবা লাইওং মখল অমনি। মরম অদুনা য়াবু মশা মউ ফনা, তরু তনান্না থমবা চেকশিনবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে। লৈঙাক্কী মাইকৈদগীসু মীয়ামগী চিন-য়া মশা মউ ফনা থমনবা লায়েংশঙশিংদা য়াগী ডোক্তরশিং মতিক চানা থমদুনা অমদি দেন্টেল কলেজনচিংবা লিংখৎতুনা হোৎনরি হায়নসু ডাঃ চন্বোনা মখা তানা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা ফেমিলি ৱেলফ্যর সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডাঃ এম. হেমন্ত কুমার য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

সাইক্লোথোন (এল)ঃ নুমিৎ অসিদা রিমস ইম্ফালগী দেন্তেল কোলেজনা ইন্দিয়ান দেন্তেল এসোসিএসন, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকা খূৎশমননা শিন্দুনা ওরেল হেলথকী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবা অমসুং হকচাং ফন-লৈনবগা মরি লৈননা ঙসি সাইক্লোথোন ২০২৫ পাঙথোকখ্রে।

নুপী (এল)ঃ মালেমগী নুপীগী নুমিৎ অমসুং হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবী নুপীশিংগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী অপুনবা মীফম অমা ঙসি ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী মখাদা ওল ত্রাইবেল দিসএবিলিতিজ য়ুনিয়ন, হ্বিল চেয়ার বাস্কেটবোল এসোসিয়েসন অমসুং দিফ ৱেলফ্যার

ওর্গনাইজেসন মণিপুরনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন- থুমলিক তিনিংফম মোনসাংনা হায়- মালেমগী নুপীগী নুমিৎকা মরী লৈননা অসিগুম্বা থৌরম অমা মণিপুরদা পাঙথোকপা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবী ন্‌পীশিংনা য়ুমদগী হেন্দোক্তনা লৈবগী মহুৎতা অসিগুম্বা মীফমশিংদা শরুক য়াদুনা ৱাখল লৌশিং কয়া ফংননবা হোৎনগদবনি। কম্মিসন্নসু মখোয়গুম্বা নুপী খুদিংমক্কী ফংফম থোকপা হকশিং ফংহন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

থৌরম অদুদা কম্মিসনগী মেম্বর সেক্রেটরি ৱাই. ফজাতোম্বীনা হায়- হকচাংগী ফিভম মীমান্নদবা কয়ানা থোইদোক হেন্দোকপা শিংথানিঙাই ওইবা থবকশিং তৌদুনা মীংচৎ উরোং খিনখিবগী ৱারী ঐখোয় পুমমকা তারি। মরম অদুনা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবী নুপীশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংনা ৱাখল হন্থবগী মহুৎতা থোরক্তুনা মখোয়গী তৌবা ঙম্বা শক্তিশিং মীয়ামদা উৎননবা হোৎনগদবনি।

থৌরম অদুদা কম্মিসনগী মেম্বরশিং- লৌরেম্বম দয়াবতি, টি. চোংশিন কোইরেং অমসুং হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবী নুপীশিং অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওই ৫০ রোমা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, কাংপোকপী জিলা ঙরাং মালেমগী নুপীগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে। মপুং ওইবা থৌরম সদর হিলস ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি। নুমিৎ পালন অসিগী থিমদি মার্চ ফোরৱার্দ- ফোর ওল ৱিমেন এন্দ গার্লস হায়বসিনি। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কাংপোকপী অমস্‌ং আই.সি.দি.এস সেল কাংপোকপীনা পুন্না শিনবনি।

থৌবাল (এল)ঃ চৎলিবা চহি ২০২৫ অসি ফাওবগী মনুংদা টি.বি. লায়না মুত্থৎনবগী পান্দমদা মমাং চহিগী দিসেম্বর ৭ তগী চত্থরকখিবা টি.বি. লায়না মুত্থৎনবা কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি থৌবাল জিলাগী টি.বি. সেন্তরদা পাউমীশিংবু খঙহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। জিলা অসিগী মনুংদা লৈবা পাউমী কয়ামরুমা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন

প্রোগ্রামগী থৌবাল জিলাগী কো-ওর্দিনেটর থোঙাম ষ্টেফিনা হায়- টি.বি. লায়না মুখৎনবগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবদা পাউমাশিংনা হান্নদগী হৌনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। টি.বি. লায়না লৈতবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা চথরিবা কেম্পেন অসি মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা পাউমীশিংনা মখা তানা মতেং পাংবীনবা মহাকা আপীল তৌখি।

--সাউন্দ বাইট--টিবি

ডে (এল)ঃ ইন্তরনেসনেল ডে ওফ হেপ্পিনেসকী থৌরম ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী টিচর ইজ্‌কেসন দিপার্টমেন্টতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা রিমসকী সাইকিয়াত্রি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসার ডাঃ আর.কে. লেনিননা হায়-

--সাউন্দ বাইট--লেনিন

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী টিচর ইজ্‌কেসন দিপার্টমেন্ট অমসুং আর্ট ওফ লিভিং ফাউন্দেসন, বেঙ্গলুরুনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী টিচর ইজ্‌কেসন দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রোফেসার প্রেমলাতা মাইস্নাম য়াওনা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

মেলা (এল)ঃ নেসনেল বুক ত্রষ্ট, ইন্দিয়াগী থৌশিল মখাদা নুমিৎ তরানি চুপা চথগদবা লাইরিক্কী মেলা অমা ঙসিদগী মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ওদিটোরিয়ম কমপ্লেক্সতা হৌখ্রে।

লাইরিক্কী মেলা অদু হৌদোক্লদুনা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর- প্রোফেসার নাউরেম লোকেন্দ্র সিংহনা হায়- মণিপুর য়ুনিভর্সিতিবু হেন্না ফবা য়ুনিভর্সিতি অমা ওইহন্নবা মতমগী অহোংবা মতুংইন্না লাক্লিবা অনৌবা খুদোংচাবশিং মহৈরোইশিংদা ফংহন্নবা হোৎনরি। মসিগী মনুং চন্না মহৈরোইশিংগী ব্রাখল লৌশিং হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা লাইরিক্কী মেলা অসি পাঙথোকপনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী

মগুন অসি য়ুনিভর্সিতি অসিগী মহৈরোইশিংদা লৈরিবা লৌশিং-গ্যান অমদি মখোয়না পাঙথোকপা রিছার্সকী থবকশিংনা উৎকদৌরিবনি।

লাইরিক্কী মেলা অসি য়ুনিতি অপলিফ ফাউন্দেসন ইম্ফাল ৱেষ্টনা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী কলেজ দিবলপমেন্ট কাউন্সিলগা খুৎশমদুনা শিনবনি।

এমওয়ু (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতি অমসুং ইম্পোরিয়ম ত্রেনিং এন্দ কন্সলটেন্সি প্রাইভেট লিমিতেদ ইম্ফালগী মরক্তা মহৈরোইশিংদা স্কিল দিভলপমেন্টকী ত্রেনিং পীনবগী মতাংদা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম.ও.য়ু) অমা সহি তৌনখ্রে।

মহৈরোইশিংদা ইন্টর্নসিপ অমদি ত্রেনিং লোইরবা মতুংদা থবক পীনবগী খুদোংচাবা কয়াসু ফংহন্নবা ৱাফমশিং এম.ও.য়ু অদুদা য়াওরি।

কন্দেম (এল)ঃ চুরাচান্দপুরদা লৈবা জোগম টু ডে পাউচেগী সাইন বোর্দ অমাং অতা থোকহল্লম্বা অমসুং ইম্মি টাইমস পাউচেগী হোক্কর খরদা অথিংবা পীরকপগী থৌওংবু চুরাচান্দপুর জিলাদা নুংতিগী ফোংবা পাউচেশিংগী ইদিটরশিংগী কোর কমিতিনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- থৌওং অসিদা চেন্নরিবা অরানবা তৌবা মীওইশিংনা থোরক্তুনা ঙাকপীনবা হায়জগদবনি। অসিগুম্বা থৌওংশিং মতুংদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা দরকার লৈবা থবকশিং লৌখৎনবা অমসুং পাউমীশিংবু অয়েৎ অপন য়াওদনা নীংতমা মথৌ পাঙথোকপা ঙমহন্নবা থবকশিং লৌখৎনবা লুপ অসিনা মরী লৈনবশিংদা তকশিল্লি।

মণিপুর হিলস জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন্নসু থৌওং অদুবু য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। য়ুনিয়ন অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- থৌদোক অসিদা চেন্নরিবশিংগী মথক্তা লৈঙাকা অকনবা থবক লোখৎকদবনি। জোগম টুডে অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাদা মথৌ তৌরিবা পাউমীশিংগীদমক য়ুনিয়ন অসিনা লেপ্পি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

বারুনি (এল)ঃ রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা থা

অসিগী ২৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা চীংগোই লুপ্পা নত্রগা বারুনি খুরুম্বগী থৌরম অসি লাই কমিতিনা লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈননা তঙাইফদবা থৌরমদমক পিকা পাঙথোকবা মাইকৈ অদোমগী খুলশিংগী সেক্রেতরিশিংনা ফোংদোরক্লি।

নোংপোক শঞ্জেনবম খুল্লেল, নোংপোক শঞ্জেনবম খুনৌ, কম্বোংকুৎ অমসুং শঙশাবী খুলশিংগী সেক্রেটরিশিংনা পুন্না সহি তৌদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মীয়াম পুনদুনা লাই খুরুম্বগী থৌরম পাঙথোকপা অসি মতাং য়ামা চাদবা মরমা মীয়াম পুনবগী থৌরমদি অথিংবা থল্লে। অদুগা লাইগী থৌরমশিংতমক পাঙথোল্লগনি।

টেকিকেল (এল)ঃ মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতিদা ইন্তরনেল কমপ্লেক্স কমিতি অমসুং দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট সেল অমা ঙসি হাংদোকখ্রে। মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতি অসিদা মহৈ তম্লিবা মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিংবু অশোই অঙাম থোকহন্দনা থবক তৌবা য়াহন্নবগী পান্দমদা সেল অসি হাংদোকপনি হায়রি।

মায়খুম (এল)ঃ মণিপুরদা ২০২৩ দগী থোরকখিবা ইরাংদা লৈখিদ্রবা কুন্বি বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চনবা খোইজ্মানতাবীদগী মীওই অহুমগী নীংশিং য়ুম্বী অমা ঙসি পিছ কমিতি কংলৈপাক, মণিপুরনা শিন্দুনা মায়খুম হাংদোকখ্রে।

থাং তা (এল)ঃ কংলৈ শক্তম লাংবা কাংলুপ হাওবম মরক ইরোম লৈকাইনা শিন্দুনা থা অসিগী ২৩ দা য়াইস্কুল পুলিসলেনদা লৈবা মণিপুর ড্রামাতিক য়ুনিয়নগী হোলদা মরাম অচৌবা খৌসা কৌবা ফেষ্টিভেল অমা পাঙথোল্লগনি। কেন্দ্রগী কলচর মন্ত্রালয়গী মখাদা পাঙথোক্কদবা ফেষ্টিভেল অসিদা তোঙান তোঙানবা থাং-তাগী শিন্দমশঙ কয়ানা শরুক য়াগদৌরি।

সেনাপতি (এল)ঃ সেনাপতি জিলাদা চেল্লিবা তুরেলশিংবু লু-নান্না থমবগী মতাংদা

পাঙথোকপা কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা মাউন্ট এভরেষ্ট এরিয়াদগী কাথিখো-কারোং ফাওবগী মরক্তা লম-তু শেংবগী থৌরম অমা থা অসিগী ২২ দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

সংসদ ঃ লোক সভা অমসুং বিধান সভা কেন্দ্রশিং শেমদোক শেমজিন তৌনবগী মতাংদা পুখৎলকপা ব্রাফমশিং য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা দি.এম.কে অমসুং অতৈ বিরোধি দলশিংগী এম.পিশিংনা খোঙজং চংশিল্লকপদগী ঙসি নোংমগী সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম য়ৈথোকখি।

লোক সভাদা নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা সভাগী মীফম অমুক হন্না পাঙথোকপা হৌরকপদা দি.এম.কেগী এম.পিশিংনা ব্রাফম অসিগী মতাংদা য়ানিংদবা খোঙজং অমুক হন্না চংশিনবা হৌরকখি। প্রিসাইদিং ওফিসারনা সদস্যশিংদা চরাংনবা থোকহন্দনবা হন্না হন্না হায়বদা য়াদবদগী ঙসি নোংমগী ওইনা মীফম য়ৈথোকখি।

মদুগী মমাংদা ব্রাফম অসিগী মতাংদা বিরোধি দলশিংগী এম.পিশিংনা খোঙজং চংশিন্দুনা চরাংনবা থোকপদগী সভাগী মীফম অনিরক হন্না য়ৈথোকখি।

রাজ্য সভাদসু ব্রাফম অসিগী মতাংদা চরাংনবা থোকপদগী মীফম য়ৈথোক্লুরবা মতুংদা নুংথিল পুং অনিদা অমুক হন্না মীফম মখা চত্থনবা হোৎনবদা দি.এম.কেগী এম.পিশিংনা চরাংনবা থোকহনবদগী দিপ্যুতি চেয়ারমেন হরিবন্সনা সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখি।

সিইসি ঃ শ্রী গ্যানেস কুমার ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী ২৬ শুবা চীফ ইলেক্সন কম্মিসনার ওইনা থবক পায়রকপা থা অমরোমগী মনুংসিদা লৈবাক অসিগী মীখলগী থবক থৌরমশিং ফগৎহন্নবা খোঙথাং কয়া পায়খৎলকপা হৌরে।

ই.সি.আইগী দিপ্যুতি দিরেক্তর পি. পাব্রন্না থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-চীফ ইলেক্সন কম্মিসনারনা অতৈ ইলেক্সন কম্মিসনারশিংগা লোয়ননা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা মীখলগী ওফিসিয়েল কোতি অমরোমনা শরুক য়াদুনা দিজিতেল ত্রেনিংশিং পাঙথোকবা থবক পায়খৎলে। ই.আর.ও, দি.ই.ও অমসুং

সি.ই.ওগী থাক্তা রাজনীতি দলশিংগী মীহুৎশিংগা মীফম লিশিং ৫ রোম পাঙথোক বা থবক পায়খৎপা হৌরে। ইলেক্তোরেল রোলদা ভোতরশিংগী মিং হাপচিনবা নত্রগা লৌথোকপদা আইনগী ওইবা তঙাইফদবা চৎন কাংলোনশিং হাপচিল্লে। মীখলগী থবক থৌরমশিং হেন্না ফগৎহন্নবা কম্মিসন্না লোখৎলক্লিবা থবকশিংদা মরী লৈনবশিংনা মতেং পাংবীনবসু চেরোল অসিনা আপীল তৌরি।

পোলো (এল)ঃ ৩৭ শুবা এন. হজারি এন্দ ডাঃ এন. তোম্বী ষ্টেট পোলো ত্‌রনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেচটশিংদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম-বিনা কংলৈপাক পোলো ক্লব লাইফম খুনৌবু পাঞ্জল ১৮-৩ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা তেন্থা পোলো ক্লবনা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লব নোংমৈবুংবু পাঞ্জল ১৩-১ দা থোইখি।

কাং (এল)ঃ অনিসুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবদা পুথিবা কাংখুৎনা থোংজ্ কাংখুৎপু পাঞ্জল ১১-৯ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিয়েল টি-ত্বেন্তি মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা চেম্প খাগেমপল্লিনা ৱাই.এ.সি য়াইস্কুলবু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা আর.এন.ই.এফ.(এম.আই.সি.এ) ময়াংইম্ফালনা য়ু.সি.সি উরিপোকপু ৱিকেট ৭ তা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ অন্দর থার্তিন বোইজ ইন্তর ক্লব ফুটবোল লিগ তুরনামেন্ট ২০২৩-২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই.ভি.এ অমসুং গোল্ডন এফ.এ পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা পান্দম এফ.এফনা ষ্টার স্পোর্টিং ক্লবপু পাঞ্জল ৪-০ দা অমদি গোরখা এফ.এনা কোকিল বোন এস.সিবু

পাঞ্জল ৬-২ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ অহানবা শমুরৌ চিংগোং ত্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মালেম এফ.সিনা অজাদ মৈত্রমবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা এন.সি.পি ময়াংইম্ফাল অমসুং মোদেল ক্লব পাঞ্জল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

হেন্দবোল (এল)ঃ মনিপুর হেন্দবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা কংলৈ ভোলুন্টরি ৱাকর এসোসিয়েসন-ময়াং ইম্ফালনা শিনদুনা ৪৭ শুবা জ়নিয়ার বোইজ অমদি গার্লসকী ষ্টেট লেবেল হেন্দবোল টুর্নামেন্ট ঙসি শান্নখিবা নুপীমচাগী মেটচশিংদা কে.ভি.দব্লিউ.এনা এম.আর.সিবু পাঞ্জল ১৩-১ দা, কে.ভি.দব্লিউ.এনা এস.এস.সিবু পাঞ্জল ১০-৩ দা, ৱাই.এল.কেনা কে.কে.এল.ৱাই.দি.ওবু পাঞ্জল ১৭-৩ দা থোইখি।

নুপামচাগী মেটচশিংদা এস.এস.সিনা এম.আর.সিবু পাঞ্জল ২৫-৫ দা, আই.এম.সিনা কে.কে.এল.ৱাই.দি.ওবু পাঞ্জল ১৮-৭ তা, আই.এম.সিনা সি.ৱাই.দি.ও.এলবু পাঞ্জল ২০-১৫ দা, এন.এস.য়ুনা ই.এস.য়ুবু পাঞ্জল ২৪-১০ দা, ৱাই.এল.কেনা কে.কে.এল.ৱাই.দি.ওবু পাঞ্জল ২১-৭ তা অদুগা এস.এস.সিনা ও.ৱাই.সিবু পাঞ্জল ২৩-৬ তা থোইখি।

------